ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯢ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯱꯸, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯹꯹ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, ওক্টোবর ১৮, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ১৯৯শুবা মশীং

# চাবা ফংদবা মীগী মশীং হেনগৎলকপা

## গ্লোবেল হঙ্গর ইন্দেক্সতা ইন্দিয়ানা ১০২শুবদা লৈরে

গ্লোবেল হঙ্গর ইন্দেক্স (জি ঐচ আই)দা মালেমগী লৈবাক ১১৭কী মনুংদা ইন্দিয়ানা ১০২শুবদা লৈরে। হ্যুমেনিটরিয়ন এইদকী থবক তৌরিবা ইন্টরনেসনল নন-প্রোফিট ওর্গনাইজেসন অনীনা হন্দক্তা ফোঙলকখিবা জি ঐচ আইদা ইন্দিয়ানা যূমলোন্নরিবা নেপাল, বাংলাদেশ অমদি পাকিস্টানদগী ফাওবা মফম হন্থনা লৈরি। পোইন্ট ১০০গী সিভিয়রিটি স্কেলদা য়েংলগা লৈবাকশিংগী জি ঐচ আই ফোঙলকপনি। খ্বাইদগী ফবা স্কোরনা 'জিরো'নি অমসুং খ্বাইদগী ফৎতবা স্কোরনা '১০০'নি। করিগুম্বা লৈবাক অমগী জি ঐচ আই স্কোর 'জিরো' ওইরবদি লৈবাক অদুদা অরাম-খৌরাংবগী মৈচাক খাঙবা মীওই অমত্তা লৈত্রে হায়বনি। জি ঐচ আই স্কোর '১০০' ওইরগনা চাবা-থকপা ফংদবা মীওই খ্বাইদগী য়াম্না লৈবা লৈবাক্নি হায়না লৌরি। কুমজা ২০১৪দা ইন্দিয়াগী জি ঐচ আই ৫৪ ওইরম্বদগী হৌজিক্তি ১০২ ওইরে। চহী-চহীগী ওইনা জি ঐচ আইগী মকোক-মথং শেম্বদা য়াওরিবা লৈবাকশিংগী মশীং খেন্নে। কুমজা ২০১৪দা ইন্দিয়ানা মালেমগী লৈবাক ৭৬কী মনুংদা ৫৫ শুবদা লৈখিবনি। কুমজা ২০১৭ তনা লৈবাক ১১৯গী মনুংদা ১০০ অমসুং কুমজা ২০১৮দা লৈবাক ১১৯গী মনুংদা ১০৩ শুবদা লৈখি। চৎলিবা চহী অসিগী ওইনা মালেমগী লৈবাক ১১৭কী গ্লোবেল হঙ্গর ইন্দেক্স ওনবদা ইন্দিয়ানা ১০২ শুবদা লৈরে। আইরলেন্দগী 'কন্সর্ন ৱর্ল্ডৱাইদ' অমসুং জর্মনিগী 'ৱেল্থহঙ্গরহিলফে'না জি ঐচ আই ফোঙদুনা লাকখি। গ্লোবেল রিজনেল অমসুং নেসনল লেভেলদা অরাম-খৌরাংবগী চৈনা খাঙলিবা মীওইশিংগী ফীভম য়েংলগা ফোঙলকপা চহী অসিগী জি ঐচ আইদা ইন্দিয়ানা ১০২শুবদা লৈরবসু যূমলোন্নরিবা পাকিস্টাননা ৯৪শুবা, বাংলাদেশনা ৮৮ অমসুং নেপালনা ৭৩ শুবদা লৈরি। তোঙান-তোঙানবা পেরামিটর মরিদা যূম্ফম ওইরগা গ্লোবেল হঙ্গর ইন্দেক্স ওনবনি। হায়রিবা পেরামিটরশিং অদুদি চাবা-থকপা ফংদবা; চহী ৫গী মখাদা লৈবা অঙাংশিং হকচাংগী অরূম্বা শুদবা; চহী ৫গী মখাদা লৈবা অঙাংশিং চাউদম থীবা অমসুং চহী ৫গী মখাদা লৈবা অঙাংশিং শিবগী চাং ৱাংবা হায়বসিনি। গ্লোবেল হঙ্গর ইন্দেক্সকী রিপোর্টতা যূম্ফম ওইরগা ওপোজিসন লীদরশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না লুচিংবা সেন্টরগী লৈঙাকপু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লি। ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা হায়খি, হীরম খুদিংমক্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক ফেল ওইরে হায়বদু "গ্লোবেল হঙ্গর ইন্দেক্স'না ময়েক শেংনা তাক্লে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পোলিটিক্সতা কা হেন্না থৱায় য়াওশিন্দুনা ফম পায়নবা হোৎনবগী মহুৎতা তুংগী যূম্বী ওইগদৌরিবা অঙাংশিং মবুক থন্না পীজনবা হোৎনবদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, কেরলাগী ফাইনান্স মিনিষ্টর থোমাস আইসাকনা ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি মদুদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈঙাক পায়বা হেক হৌরকপদগী ইন্দিয়ানা গ্লোবেল হঙ্গর ইন্দেক্সতা তপ্না-তপ্না মফম হন্থরকখি। কুমজা ২০১৪দা ইন্দিয়ানা ইন্দেক্সকী ৫৫শুবদা লৈরল্লবসু কুমজা ২০১৭তদি ১০০ শুবদা হন্থরকখি। হৌজিক্না অমুক ১০২ শুবদা লৈরে। কর্নাটকাগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা কোংগ্রেসকী সিদারাময়ানসু বি জে পিগী "অছে দিন" হায়বদু "চহী নৌরিবা অঙাংশিং মবুক থন্না চাবা ফংদ্রিবসিরা" হায়বা ৱারোল ত্বিটরদা থাদোরকখি। তৌবগীবুদি অঈং-অশাগী খল কায়রকপনা মরম ওইরগা মালেমগী মফম অয়াম্বদা চীঙ্গাক পুথোকপগী চাং হন্থরকপগী মওং অমা উবা ফংলি। ইন্দষ্ট্রি চাওখৎত্রিঙৈগী মতমগা চাংদম্নবদা হৌজিক মালেমদা শাবগী চাং চহী খুদিংগী চাংচৎতা সেলসিয়স দিগ্রী ১ রোম হেনগৎলক্লি। হৌজিক্কী চাং অসিদা অসুম্মক গ্রীন হাউস গ্যাস থাদোরকপা তারবদি কুমজা ২০৩০দা শাবগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলকপা মরম্না মালেমদা মীওইবনা হিংবদা ৱানা থোক্লগনি হায়না অখণ্ড-অহৈশিংনা মোত পীরি। ফূদ এন্দ এগ্রিকলচর ওর্গনাইজেসন (এফ এ ও)গী রিপোর্ট অমনা হায়, অঈং-অশাগী খল কায়রক্তুনা মালেমদা শাবগী চাং অসুম-অসুম হেনগৎলকপা তারবদি মফম খরদা নোং কন্না চুবদগী ঈচাউ থোক্লগা মফম খরদনা ঈকং থোক্লগনি। মদুনা মরম ওইরগা মহৈ-মরোং অমসুং চীঙ্গাক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমদবদগী মীওই কয়া চাবা ফংদদুনা চরা হেনবদগী শিরগনি। হৌজিক-হৌজিকমকসু মালেমদা মীওই মিলিয়ন ৮২২ নীংথিনা চাবা-থকপা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরি। মচি ওইবা চীঙ্গাক মচল শুনা চাবা ফংদবদগী অঙাং মিলিয়ন ১৪৯ লোম চাউবা হেন্দবগা লোয়ননা মীওই বিলিয়ন ২ রোমসু মাইক্রোন্যুট্রিয়ন্ট মখল অমা নৎত্রগা অমা ৱাৎপগী খূদোংচাদবা মায়োক্নরি। ফূদ এন্দ এগ্রিকলচর ওর্গনাইজেসনগী রিপোর্টনা হায়, কুমজা ২০১৫-২০১৬তা থোকখিবা এল নিনোনা মরম ওইরগা ঙসি ফাওবা মালেমদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরি। সমুদ্রগী ঈমায় শাবা হেনগৎলকপগী থৌওং অদুনা মরম ওইরগা নিংথম থাদা কা-হেন্না ঈংলগা কালেন থাদা কা-হেন্না শাবা, মালেমগী মফম খরদা ঈচাউ থোক্লগা মফম খরদনা ঈকং থোকপা অমসুং চীঙ্গাক পুথোকপগী চাং হন্থরকপনচিংবা খূদোংথীনিংঙাই ওইবা ফীভম অমা ওইহল্লক্লি। মহৈ-মরোং মরাং কায়না পুথোকপা ঙমদবগী মতাংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা মরমদি লৈনুংগী ঈশিং কংশিল্লকপা অমসুং ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরকপা হায়বসিসু অমনি। কুমজা ২০১১দগী হৌরগা কুমজা ২০১৬ ফাওবদা মালেমগী মফম অয়াম্বদা ঈকং থোকখিবগা লোয়ননা চীঙ্গাক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমদবগী অৱাবা মায়োক্নখি। গ্লোবেল ৱার্মিংগী চৈথেং অসুম-অসুম হেনগৎলকপা মরম্না চাবা-থকপা ফংদবগী অৱাবসু হেনগৎলকখিগদৌরি। ফীভম অসিদা লৈঙাক্নসু, মীয়াম্নসু লন্নাইগী অখূবা ৱাখল্লোন থাদোক্নরগা অঈং-অশাগী খল কায়হন্দনবা হোৎনবরোমদা পূক্নিং চঙবা মথৌ তারে।

## ◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

### রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা পোকপীখিবসি খৃ: ১৭৪০, জুন ২১, লৈবাকপোকপা (শকাব্দ ১৬৬২, ইঙা ২৭নি পানবা) নুমিত্তনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

কর্ত্তা ভাগ্যচন্দ্র পরিষদ, ইম্ফালনা মৈদিংঙু রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা পোকপীখিবসি খৃ: ১৭৪০, জুন ২১, লৈবাকপোকপা (শকাব্দ ১৬৬২, ইঙা ২৭নি পানবা) নুমিত্তনি হায়বসি লৈবাক মীয়ামদা লাউথোকচরি।

কর্ত্তা ভাগ্যচন্দ্র পরিষদ, ইম্ফাল, রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী মচা-মশুশিংনা মপূং ওইবা মেম্বর ওইদুনা লীংখৎখিবা, মহাক্না সংস্কৃতিক, সমাজিক, ধর্ম্মিক অমদি মীওইবগী মরমদা পামজরম্বা উদ্দেশ্য কয়াবু পাঙথোক্নবগী পান্দম থল্লিবা সংস্থান অমনি।

রাজর্ষিগী পোকপগী মতাংসিদা রাজর্ষিবু নুংশিবীবা অখণ্ড-অহৈ ময়াম্না তোঙান-তোঙানবা মোত পীবীবা, লাইরিক ফোঙবীবা, পাউচেদা ইবিরিবা পূম্নমক অদুবু রাজর্ষিগী বংশ (চারোল-শুরোল) না তৌবীমল খঙবা উৎচবগা লোয়ননা ইকায়খুম্নজরি। ৱাফম পূম্নমক তুংগী মীরোলগী মীৎ-নাকোং ওইহৌরসনু হায়না থমজরি। হৌজিকমক্কী ওইনদি কর্ত্তা শাগৈগী অহল-লমনশিংনা ইদুনা থন্বীরম্বসিনা অচুম্বনি হায়না লৌজরে।

খৃ: ২০১৪গী জুন ১০গী সঙাই এক্সপ্রেসকী 'এর্দিটরদা থারকপা' হায়বা কলমদসু কর্ত্তা ভাগ্যচন্দ্র পরিষদকী জেনরেল সেক্রেটরি ইশামক্না ইংঙা ২৭নি পানবা জুন ২১না অচুম্বা ওইরগনি, নুমিৎসিদা রাজর্ষিগী পোকপগী পালন থৌরম পাঙথোকমিন্নরসি হায়না মীয়ামদা হায়জখ্রবনি। হৌজিক অমুক পাউচেদা অমদি সোসল মিদিয়াদা য়াম্না কন্না নৈনরকপা তাজবা অমদি উজবদগী অমুক্তা হন্না ফোঙদোকচরিবনি।

কনাগুম্বনা মশাগী অনীংবা অপাম্বনা লেপ্পা নুমিৎ, থবান অমদা রাজর্ষিগী মপোক কুমওন পাঙথোকপীগনু। মরমদি তোঙান তোঙানবা লাইরিকশিংদা তোঙান তোঙানবা তারিখ, চহী অমদি থবান ১০গী মথক্তা ইদুনা লৈরবনিনা মানা-মানা অপাম্বা তৌনরক্লগদি য়াম্না মওং তাদবা অমদি মরিং-মরাংবা থোক্লগনি। মরম অদুনা কর্ত্তা ভাগ্যচন্দ্র পরিষদনা মীয়ামদা লাউথোকচরিবা নুমিৎ থবান অসিদা রাজর্ষিগী মপোক কুমওন পালন চপ মান্ননা পাঙথোকমিন্নসি হায়না মীয়ামগী মফমদা হন্না-হন্না নোল্লুক্না নীংশিংজরি।

*অদোমগী - রাজকুমার সনায়াইমা*
*জেনরেল সেক্রেটরি*
*কর্ত্তা ভাগ্যচন্দ্র পরিষদ, ইম্ফাল*

# মেরা হৌ চোংবদা চীংমী-তম্মী অনীদা লৈরিবা অহোবশিং

**অওনবা মালেম**

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

মেরা হৌ চোংবগী ৱারীসিদি স্কুল, কোলেজগী তম্নবা লাইরিক্তা পাড়া অমা ওইনা হাপচিনবা য়ারে। স্কুল, কোলেজদা মহৈরোয়শিংনা পাড়া অমা ওইনা তল্লবদি অহল ওইরবফাওবদা কাউবা ঙল্লোই। মসিদা নত্তনা মেরা হৌ চোংবগী নুংগী ওইবা ৱারী, মসিনা পীরিবা কান্নবা কয়াদু খঙবা ঙমগনি। য়াম্না কান্নবসি চহী নৌরিঙৈ মতম, অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা খঙহৌবা, উহৌবা, তমহৌবা হায়বসিনা মখোয়না চাউবা মপূং ফারল্লবা মতমদা থবক ওইনা খরতা ওইরবসু তৌরকই। ওজাশিংনা তম্বীবা অমা য়াওনা তৌরক্কদবনিনা পিল্লিবা মহৈরোয়শিংনসু হেন্না খঙবা ঙম্বগী চাং ৱাংগনি। ঙসি লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা নুংশিননবা হায়দুনা মেরা হৌ চোংবগী থৌরম চাউনা পাঙথোল্লিবসি অমরোমদা পাঙথোক্লবসু য়াবজাৎনি হায়না খল্লি। ঙসি পাঙথোল্লিবসিগী নুংগী ওইবা পান্দমদি হৌমিন-কামিন্নরকপা য়েলহৌমী মশেল থায়নদগী হৌনা নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নরকই হায়বদু ঙসিগী মীরোল অসিদা খঙননবনি। শম্না হায়রবদা অফবা থবক্তু খঙননবনি। অদুবু কয়া ৱানদি পাঙথোক্লে ঙসিদি। অমরোমদা ঙসিগী মীরোলসিনা থৌরম অসিগী কান্নবদু খঙনা লৌশিনবীরবদি ফবা, মদুসু নত্তে। করিগুম্বা চহী কয়াগী মমাঙদগী স্কুল/কোলেজগী তম্নবা লাইরিক্তা য়াওদুনা মহৈ ওইনা তম্নরল্লবদি ফুরুপ মশেল নুংশিনবগী চাং খরখক্তং ওইরবসু হেনগৎলম্বা য়াই। মসি নৎত্রবফাওবদা ফুরুপ মশেল নুংশিননবগী ওইবা ফজরবা থৌরম অমা লৈরম্মী হায়বদু মতম কয়াগী মমাঙদগী শোয়দনা খঙবা ঙম্নরমগনি। অদুবু ঙসিগী মীরোলসিনা থেংনা খঙলে। মসিনা ওইবসু য়াই মেরা হৌ চোংবগী থৌরম অসি ঙসিগী মীরোল অসিদা ইচু-চুশিন্নবা য়াদবগুম লৈবা উরে।

তম্নবা লাইরিক্তা য়াওবগী কান্নবসি মপাল নাইদে। হনুবা-হনুবীনা পান থাবগী ৱারী, শন্দ্রেম্বী চৈশ্রাগী ৱারী, কৈবু কৈওইবগী ৱারী, তপ্তাগী ৱারী, কৈশাল-ৱাইনুগী ৱারী, খম্বা-থোইবীগী ৱারী অসিনচিংবা ময়ামসি তম্নবা লাইরিক্তা য়াওবদগী নুংগী ওইবা ৱারী ফনা খঙবা ঙমদুনা ৱাখল-লৌশিং য়াম্না হেনগৎহল্লি। থবক অমা তৌবদা কান্নবা ওইগনি নৎত্রগা ওইরোই, পুন্সি লম্বী হায়বসি করিনো হায়বনচিংবা ৱারী ময়াম অসি স্কুলদা তম্লকপদগী খঙজিনবা ঙম্মী। মী অমা ওইনা খঙবদা কান্নবা ৱারী কয়াসু লাইরিক তম্নবা পাড়া ওইনা তমদবা কয়াসু লৈরি। মণিপুরনা বৃটিশকী মখূৎতগী নীংতম্বা ফংখিবা ওগষ্ট ১৪, ১৯৪৭, মদুগী মতুংদা মনীংতম্বা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইনা লৈরম্বগী ৱারীদু মণিপুরদা তল্লিবা লাইরিক্তা য়াওবা থেংনদে। মসিগী মতুংদা মণিপুরনা কনাগী লৈবাক অমত্তদসু তিনশিনবা তৌদনা নিংথৌগী মখাদা গভর্ণমেন্ট অমা লৈদুনা কুমজা ১৯৪৯ ফাওবা লৈরম্মী হায়বসিফাওবা তম্নবা লাইরিক্তা য়াওবা থেংনদ্রি। স্কুলদা তম্বা য়াওদ্রবনিনা মণিপুরনা বৃটিশকী মখূৎতগী মনীং তমহৌবা নুমিৎ অদু কৈদৌঙৈনো হায়বদু হায়বা খঙবা ঙমদবা মীওই কয়া মণিপুরদা ঙসিসু লৈরি। মহারাজকুমার প্রিয়োবর্ত্তনা চীফ মিনিষ্টর ওইদুনা নিংথৌ বোধচন্দ্রগী মখাদা গভর্ণমেন্ট অমা লৈরম্মী হায়বা খঙদবা মীওই কয়া ঙসিসু লৈরি। করিগুম্বা ৱারী ওইনা লীদুনা খঙহল্লবসু ৱাখল ইতা-তাবা ঙমদবা, করম্না থোকখিবনো হায়না ৱাখল খঞ্জিনবদা ৱাবগুম তৌরি। অদুবু থোকখিবা পুৱারীগী থৌদোক অসিদি য়াম্না কুইবা নৎত্রি হায়বদি কুমজা ১৯৪৭ অমদি ১৯৪৯গী ৱারীনি। ঙসিদগীনা চহী ৭২গী মমাঙগী ৱারীনি। মতমদুদা মশাগী চহী ১০শুরবা মীওইদু ঙসি হিংলি হায়না লৌবসু য়াই। অদুবু মদুগী ৱারীশিংদুদি খঙবা ঙম্নদ্রে। অমরোমদদি লাই হাক্তক্তগী লৈরল্লবা ৱারী রমায়ন, মহাভারত, খম্বা-থোইবীগী ৱারীদি তাদবা/খঙদবা লৈতে। মদু লাইরিক্তা তম্বদগী খঙবা ঙম্বনি।

মেরা হৌ চোংবগী থৌরমসু লাইরিক্তা তমদবদগী নহা-অহল পূম্নমক্না খঙবদা ৱাবনি। মেরা থাগী থানিল নুমিৎতা থৌরম অসি নিংথৌনা থাউমৈ থান্দুনা কংলাদা পাঙথোকই হায়বা ৱারী লৈরে। নিংথৌনা পাঙথোল্লিবা লৈবাক্কী ওইবা থৌরম অদুদা চীংমী-তম্মী পূন্না য়াওমিন্নে। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মৈবা চিংবা, য়েনখোং তম্বা অসিনচিংবা কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। চীংমী-তম্মী অনীগী নুংশি মরী হেন্না চেৎশিন্নবা হেনগৎহনবদা মতেং য়াম্না পাংই। খন্দুনা য়েংবীয়ু মতমদুদা লম্বী থোংগী ফীভম য়াম্না ফত্তে অদুবু অথাপ্পা চীংগী খুল কয়াদগী চীংমীশিং লাক্তুনা য়াওবসিসু ওন্থোক্না পূক্নিং নুংশিবা অমনি হায়দবা ঙল্লোই। অদুবু ঙসিদি মণিপুরগী লম্বী থোংগী ফীভম য়াম্না ফগৎলে, ঈ-পাউ ফাওনবগী পাম্বে মোবাইল, ইন্টরনেটনচিংবগী ফীভমসু য়াম্না ফগৎলে। তম্পাক্কী মফম অমগা চীংগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফম অমগা থায়নদি য়াম্না লাপ্পা ৱাখলদা খন্নরল্লবসু ঙসিদি য়াম্না নক্না লৈরে হায়না ৱাখলদা খন্নবা মতম হায়বদু ওইরে। অদুবু ফীভম য়াম্না ফগৎলে হায়রগসু মেরা হৌ চোংবগী থৌরমদা অথাপ্পা চীংদগী চীংমীশিং কংলাদা লাক্তুনা শরুক য়াবগী চাং হেনগৎলক্কনি হায়বসিমদি থাজবা ৱাৎলি। মসিগী মরম ময়াম অমা লৈ। ঙসিদি চীংমী-তম্মী অনীমক লাইনীং লম্বীদা য়াম্না খেন্নবা লৈরে। থায়না চীংমীসু মশাগী লাইনীং লম্বী থাদোক্তুনা নোংচুপলোমগী খৃষ্টান লাইনীং লৌখ্রে। মসিনা মরা তাখ্রে। চীংমীশিংবু তাইবঙপানগী অনৌবা মঙাল অমা পীবিরে হায়না লৌখিবনা অতৈ অমা চংদ্রে। তম্মীসু মশাগী য়েলহৌঙৈগী লাইনীং লম্বী থাদোক্তুনা ময়াংশিংগী ওইবা গৌরিয়া লাইনীং লৌদুনা লাইনীং পরৈ চেৎনা লৈরে। অনীসি তোৎন-তিন্নবা কয়া য়াদ্রে। তোৎন-তিন্ননবা হোৎনবদা মায় কয়া পাক্তনবা মরম ওইরে। চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমদগী কংলা তান্না লাকপদা য়াম্না কা হেন্না খুদোংচাদবগী মরম্না নত্তে লাইনীং লম্বী মান্নদবগী অচৌবা মরম অমনি। অদুবু থায়নগী অদুগুম্বা মাংই-শেংই হায়বগী ৱাফম অদুমদি লৈত্রবনি।

কংলাদা পাঙথোকপা থৌরম ওইবনিনা ঙসিগী মীরোলসিদা লৈরিবা চীংমী মীয়াম্না খনবসি মীতৈ লাইনীংগা মরী লৈনবা থায়নগী থৌরমনি হায়না লৌই। অমরোমদা কংলা মনুংদা মীতৈগা মরী লৈনবা লাইফম, লাইশঙ কয়া লৈবনিনা মীতৈ লাইনীংগা মরী লৈনৈ হায়না লৌই। ৱা য়ুংদুনা থাউমৈ চিংখৎপা অসিফাওবা চীংমী-তম্মী অনীগী থাপ্না হিংদুনা লৈনরি হায়বগী খুদম-চাংদম, পাউজেল অমনি হায়না লৌবা ঙমদে। মীতৈগী ওইবা থবকনি হায়না লৌরি। মৈবা চিংবা, য়েনখোং তম্বা পূম্নমক চীংমী তম্মী অনীগী য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা মান্নবা থবকনি হায়না খনবা ঙমদ্রে। মসিগী ফীভম অসিদা চীংমীশিংনা মেরা হৌ চোংবগী থৌরম কংলাদা য়াওবা লাক্কনি হায়বসি থাজবগী ৱাংমদনি। তম্পাক্কী মীওই কয়াসু থৌরম অসি কয়া য়াওনীংবা মীগী মশীং য়ামদে। গৌরিয়া লাইনীং চৎপা, মীতৈ সনামহী লাইনীং চৎপা মীতৈ হায়না অনী থোক্না লৈবনিনা থৌরম অসিগী মরুওইবদু লূম্না লৌনবা ৱাৎলি। অদু ওইরবদি মেরা হৌ চোংবসি লাইনীং লম্বী অমগা মরী লৈনবা থৌরম অমরা? মদুমক্তি নত্তে হায়নীংই, মরমদি থৌরম অদুদা তৌরিবা থৌশিলশিং অসি য়েলহৌমীশিংগী ওইবা, থায়নগী ওইবা চৎনবী অমনি হায়বদা লাল্লোই। মৈবা চিংবা চীংমীসু থায়না অদুম তৌই। য়েনখোং তম্বা চীংমীশিংসু অদুমক তৌই। য়ুপান থাবা চীংমীশিংসু তৌই। য়েলহৌমীশিংগী নাৎ-চৎনবী ঙাক্তনি। মসিগী মান্নবা নাৎ-চৎনবী অসিননি মণিপুরগী ফুরুপ ময়াম অমা নুংশি-চান্ননা পূনশিনবা ঙল্লিবসি। নাৎ-চৎনবী মান্নদবা ফুরুপ কয়া নুংশি-লিপূন্না চেৎনা পূনশিনবা ৱাগনি। করিগুম্বা নাৎ-চৎনবী মান্নদ্রবদি মশা-মশাগী ফুরুপকী চৎনবীনা হেন্না ফজবা হেল্লি হায়দুনা মুক্নরকপদা নুংশি লীপূন্না চেৎনা পূনশিল্লু হায়বা য়াদে। অদুবু চীংমী-তম্মী অনীদি য়েলহৌঙৈদগী নাৎ-চৎনবী মান্নরি, লমদম অমদা খুন্দামিন্নরি। মদুনবু নিংথৌনা লুচিংদুনা মেরা হৌ চোংবগী থৌরম পাঙথোক্লক্লিবনি।

অহানবদা মেরা হৌ চোংবসি লাইনীং লম্বী অমত্তগা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরম অমা নত্তে হায়বসি শেংনা চীংমী অমদি তম্মী অনীমক্কী পূক্নিংদা ফাওনবা ঙম্নবা থবক লৌখৎপা ফগনি নীংই। মসিগী অহানবা থবক্তি স্কুল/কোলেজগী তম্নবা লাইরিক্তা ফজবা পাড়া অমা য়াওহনবনা ওইগনি। পিল্লিবা অঙাং ওইরিঙৈ শেমজিন-শাজিনবা ৱারী কয়া মকোক্তা চংদ্রিঙৈদা মেরা হৌ চোংবগী কান্নরবা পাড়া তমহৌরবদি অহল মতম ওইরফাওবদা কাউথোক্লোই। চহী য়াল্লবা মতমদদি চংউ হায়বা য়াদ্রে। লাইনীং লম্বীগা মরী লৈননা পাঙথোকপনি খল্লগা/পাউথোকপা থোক্লবদি কনাসু য়াওনীংদে করিনা হায়ববু অতোপ্পা লাইনীংদুগী চৎনরোল কয়ানা মশাবু মচু শঙজিনখিগদ্রা হায়না খন্নে। মওং অসি লাইনীং লম্বী অয়াম্বনা তৌনৈ। অদুগা মরুওইনসু খৃষ্টান, মুসলমানশিংনা হেন্নসু তৌই অমদি মখোয়গীদি তৌবা য়াদে হায়বা অকনবা ৱাফম লৈরিবনি। অদুনা মেরা হৌ চোংবসি লাইনীং লম্বীগা মরী লৈনদে হায়বসিনা খ্বাইদগী মরু ওইরে। ●

# নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগী শক্তম কায়হন্দনা থমসি

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

কুমসি চহীগী নিংঙোল চাক্কৌবগী কুম্মৈ য়ৌশিল্লক্লে। মণিপুরদা মরুওইনা মৈতৈ কাঙলূপ্না চহী খুদিংগী ওইনা পাঙথোল্লিবা 'নিংঙোল চাক্কৌবা' কুম্মৈগী অশেংবা শক্তম কায়হন্দনা থম্নবা ঐখোয় খুদিংমক্না হোৎনমিন্নফম থোকই। কুম্মৈসি মণিপুরদা, মণিপুরগী নিংথৌ ওইনা ইহান হান্না পানখিবা, নোংদা লাইরেন পাখঙবা সনা হাক্তক্তগী হৌনা চৎনরকখিবা কুম্মৈনি। মণিপুরগী খ্বাইদগী হেন্না লীরবা কুম্মৈশিংগী মনুংদসু অমনি। নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈ, কুম্মৈসিগী নুং-পান অনীমক্তা তোঙান-তোঙানবা মচৎশিংনা লৈতেংবনা, নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈবু তোঙান-তোঙানবা ৱাহন্থোকশিং চেলহল্লি। ৱাহন্থোকশিংসিনা অমুক্না হেন্নসু কুম্মৈসিবু মপূং হেন্না ফাবা কুম্মৈ অমা হায়বদু ওইহল্লি। নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগী পানগী ওইবা মচৎতা, মৌগী শীংদা চল্লবী নিংঙোল ওইবী খুদিংমক্না নাৎকী ওইবা ফিজোলদা নুপীশিংগী ওইবা অয়ৌবী থাক্কী নিংথিবা শক্তমশিং উৎলি। নুংগী ওইবা মচত্তনা, মায়কৈ থুংনা ওংখিবী, মৌগী শীংদা চল্লবী নিংঙোল ওইবী পূম্নমক্না, মপাম লমদমগী মবুং-মৌপ্বাশিংবু কাউঙমদনা নুংশিজবা অমদি অঙাং নাৱা ওইরিঙৈদগী লৈশা মপূং ফারকপা ফাও, যূমগী মমা-মপা, মচিন-মনাও, মবুং-মৌপ্বা ওইবশিংগা পূন্না তরা চিন্দম্মিন্নরকখিবগী থৌদৌশিংবু কাউঙমদনা নীংশিংজবদু উৎলি। মৈতৈশিংগী ওইবা নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগী ৱাহন্থোকসি অসুক্কী মতিক ফজে। মালেমসিগী অতোপ-অতোপ্পা কাঙলূপশিংনা কুম্মৈসিগী ৱাহন্থোকশিং নিংথিনা হেক খঙবদা থাগৎনরক্তবগী ৱাফমদি খক লৈরোই। কুম্মৈসি চহী অমগী মনুংদা শুপ্নগী নোংমখক্তমক পাঙথোকই।

মতম্না পুরকপা খোঙচত্তা, মতমসিদা পাঙথোক্নরিবা মণিপুরগী নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরমশিং উরুরগা, ৱাখলদা অসুক্কী মতিক ৱাজবশিং অমদি পূক্নিংদা হায়নীংঙাই লৈতনা নুংনাংবশিং পোল্লক্তবসু নত্তে। হীরমসিদদি তশেংনমক কুম্মৈসিগী লাইবক থীবা কোর্নর অমা হায়বদু ওইরিবনি। মতমসিগী ওইবা মপাম্থোংগী অচাউরম কাবগী চৎনবী নৎত্রগা হৈনবী কয়ামরুম্না য়েলহৌঙৈদগী হৌনা লিশাং শিংনা চৎনরল্লবা লমদমসিগী নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম্বু মথোঙ-মরম খঙহন্দনা অমসুং নাতৈ হুক্তনা, নোংম-নোংমগী অরং-অরাক্কী ওইবা শক্তম অমদা চিংশিন্নবা হোৎনরি। থৌদৌশিংসিমক্তি তশেংনা নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগী ফজরবা নুং-পান অনীমক্কী ওইবা ৱাহন্থোকশিংবু হন্থহন্নবা হোৎনরকপনি হায়না লৌদবা ঙমদে। ৱাফমসিদা অরানবা ৱাফম য়াওদে। ঐখোয় মশেল খক্তগী মরক্তা ওইনা খন্নরবসু, থৌদৌসিনা ঙসিগী খুন্নাইসিদা লৈমিন্নরিবা কাঙলূপসিগী লায়রবা ইমুংশিংদা পোকচবা অমদি লায়রবা ইমুংশিংদসু ওংজরুবা নিংঙোলশিংগী মফমদদি করি ওইহল্লমগনি হায়বসি ৱাহং ওইনা হংদবা ঙল্লোই। হৌজিক্কী মতমদা, মপাম লমদমগী মবুং-মৌপ্বাশিং শেঞ্জাও পায়বশিং ওইবা নৎত্রগা মচন-মচা ওইবশিংদুনা শেঞ্জাও পায়বা ইমুংশিংদা ওংজরুবদগী, নিংঙোল চাক্কৌবগী খুদোল-পোৎহাপশিং মপাম লমদম্নবু ওইরবসু নৎত্রগা নিংঙোল মশানা লৈজরগা মাঙজৌননা পীরকপবু ওইরবসু, চাংদম্নবগী থৌদৌদি ইথোক্তা থোকহল্লি। থৌদৌশিংসিমক মতম লৈবা খিবিক্তা অচুম্বা থৌদৌশিং খক ওইরোই। নুপা ময়ূম ইনাকখুনবা নিংঙোলশিংনা মখোয়-মখোয়না অপাম্বা অমসুং মনীং থুংজগদবা মওংদা খুদোল পোৎশিং মাঙজৌননা লৈরগা নোংমা-নীনিগী মমাঙদা মপামদা চৎতুনা থিন্দোক্লুবগী থৌদৌশিং ঐখোয়গী খুন্নাইসিদা মশীং খঙদনা চঙথনরি। ফীভমসিমক মণিপুর পূম্বগী ওইনা নিংঙোল খুদিংমক্নদি মতৌ করম্না মতৌ তম্লুবা ঙমগদৌরি? হৈনবী, চৎনবীসিনা চৈথেং ফংহল্লিবসি কনাদনো? মুন্না খন্থরুরবদি থৌদৌসি, ইশানা ইশাগী খোঙদা শীংজংনা য়ানশিঞ্জবগা চপ মান্নে। তশেংনমক, থৌদৌসিনা কুম্মৈসিগী নিংথিজরবা মচৎশিং অমদি ফজরবা ৱাহন্থোকশিংবু লৈমায়দা চিংথদুনা মাঙহন্নবা হোৎনবমক্লি হায়বদা খক হায়মনবা থোক্লরোই। মণিপুরগী নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈদি মালেমগী অতোপ-অতোপ্পা কাঙলূপশিং কয়ামুক্কী কুম্মৈশিংগী মরক্তা, নোংদোলথক্তা তোমথিন ঙাল্লিবা থাজগুম নাইতোম থোকচরিবীনি। ৱাখল লৈতনা, শেঞ্জাও পায়বা খরখক্না খুন্নাইসিগী নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগী মমল নাইদ্রবা মতিংশিংবু মূথৎহনগে খনবা অচুম্বা খক ওইরোই। মীওইবগী পুন্সিদা খ্বাইদগী মমল য়াম্বসি মীওইবশিংগী মরক্তা অমগা-অমগা মীনুংশি তৎনহন্দনবা হোৎনবসিনি। মণিপুরগী নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈনা মালেমসিগী কুম্মৈ অতৈশিংগী মরক্তগী খজিক্তংদা ওইরবসু তোমথিন ঙাল্লিবসি হীরমসিদনি। লমদমসিগী ইনাক-কৈরাক খুনবা, অচাওরম কাবা পাম্বা মীওই খরখক্কী থৌদৌনা কুম্মৈসিগী ফজরবা শক্তম্বু লৈখা তানা চিংথখিবা হায়বসি খুন্নাইসিগী ওইনদি অমুক হন্না ফম্বা ফংলরোইদবা, মালেমসিগী মীয়াম পূম্বগী মাঙদা থাবা ফিদা অমা খঙহৌদনা মীৎনা কুপ্পদা শেগায়দুনা মাঙহনখিবগা চপ মান্ননা থোক্কনি। ঐখোয় নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈসিগীদমক মমল য়াল্লবা ৱাহন্থোকশিংবু মতম লৈবা খিবিক্তা কন্দুনা থম্নবা হোৎনমিন্নসি।

মণিপুরগী নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরমসি য়ারিবমখৈ নিংঙোল চাক্কৌবগী অকক্নবা নুমিৎখক্তদা মীয়াম হুপ্না কৌমিন্ননবা হোৎনমিন্নবা চুম্ব্রা খল্লি। চহী অমগী কেলেন্দরদা উৎলিবা নিংঙোল চাক্কৌবগী নুমিৎসিখক্তদা লমদমসিগী নিংঙোল ওইবী খুদিংমকপু নিংঙোল চাক কৌবীরবদি মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরমসি অমুক্না হেন্নসু অরূম্বা হেঙ্গৎকনি নীংই। য়াদদুনবুদি ওইরমগনি, নিংঙোল চাক্কৌবগী কুম্মৈসি মতম শাংথ-শাংথনা পাঙথোক্লবসি হেক তাবদা, কুম্মৈসিগী অরেপ্পা মওং অমা লৈজদবা, পাঙথোক্লীংবা মতমদা তয়াং-তশোইনা হেক্তা পাঙথোকপা য়াবা, অহোঙবা কুম্মৈ মখল অমগুম তুংদা লৌনরক্দ্রা হায়বসিগী মীপাইবা পোক্তবা ঙমদে। মণিপুরগী য়াওশঙ কুম্মৈগী মনুং চল্লিবা লমদমসিগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা মৈতৈশিংগী থাবল চোংবা কুম্মৈসু, মমৈ শাংথরক্তুনা য়াওশঙ কুম্মৈ লোইখ্রবা মতুং নুমিৎ কয়া, থা কয়া চথরবা ফাওবদা চোংনীং-চোংনীংবা নুমিৎশিংদা পংচোংদা চোংনবা উই। থৌদৌসি তশেংনমক্তি কুম্মৈসিবু মতিং হন্থহল্লক্লবগী থৌদৌ অমা ওই। হীরমসিদা ফনা য়াম্না হায়নখ্রে, লমদমসিগী হৌগৎলক্লিবা নুপীমচাশিংসিনা খক য়ানীংবা পোক্তবা মাল্লি। ঙরাং-নহান্দসু মেরা ৱায়ুংবা নুমিত্তুদা নুপীমচা-নুপামচাশিং খূৎপু অমা থাবল চোংনবগী ওইরমগনি, কয়লা লম্বী থৎতুনা ৱা য়ুংদুনা, ইকোয়-কোয়না ট্যুব লাইটশিং থান্নবা শেম-শাহৌবা লৈকায় অমা থেংনরকই। ফীভমসিগুম, চৎনবী অমগুম্না মৈতৈশিংনা মৈতৈশিংগী মমল য়াম্না, লুনা থমজরিবা কুম্মৈ-ফিয়োংশিং কয়ামরুমসিবু হেক-হেক মফম-মতম নাইদনা পাঙথোক্লীংবা মতমদা পাঙথোক্লবগী থৌদৌসিদি তশেংনমক চুমদবরা হায়বসি হায়নীংই। মসিনা তুংলমচৎতা মৈতৈশিংগী কুম্মৈশিংগী ভেল্যু কয়ামরুম শোয়দনা হন্থহল্লক্কনি। নিংঙোল চাক্কৌবা নুমিত্তা লমদমসিগী নিংঙোলশিংনসু নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনশিংবু নীংশিংদুনা চৎহন্নীংই। মতমসিদদি, নিংঙোল চাক্কৌবগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোকশিং মশক খঙদনা, শুপ্নগী ঈথক-ঈরাং খক্তদা তাওদুনা কুম অমগী নিংঙোল চাক্কৌবা চৎলিবনি হায়দুনা তোররিংদা চৎপা নিংঙোলশিংগী মশীংসু মশীং থিঙমদ্রে। কুম অমগী নিংঙোল চাক্কৌবদা নিংঙোলশিংনা মপাম লমদমগী মবুং-মৌপ্বা ওইবশিংদুনা করি খুদোল পোৎহাপশিং হাপ্পীরমগদগে হায়বসি খনবা খক্তদা নৎত্রগা যূম পাল্লবী নিংঙোলশিংগী কেবা চাংদম্নবগী নুমিৎ অমগুম লৌদুনা, শেরান্নবা ৱাখল্লোনশিংগা লোয়ননা খোঙ থাংদুনা, নিংঙোলশিংনা মপাম লমদমদা নিংঙোল চাক্কৌবা চৎপদি চৎহন্নীংদে। থৌদৌসি নিংঙোল ওইবীশিংগী অশোনবা মতৌশিংদু উথোকচবনি। মণিপুরগী নিংঙোল চাক্কৌবা নুমিৎ, নিংঙোলশিংগীদমক ঈথক-ঈরাংগী নুমিৎ অমা খক নত্তে হায়বসি মণিপুরগী নিংঙোল ওইবী খুদিংমক্না অমুক মখা তানা খন্নরুবা তৌদনা লৌবীগদবা ফিরেপ অমনি। নিংঙোল চাক্কৌবা নুমিত্তা নিংঙোলশিং অমদি পিবাশিংতগী ওইবা নুংশিনবগী লীপুন্দু খক্তবু নুংশিনা য়েংজনবগীদমক, মণিপুরগী মমা-মপা ওইবশিংনা নুমিৎসিতবু ঙাইজদুনা লাক্লিবনি হায়বসি মণিপুরগী নিংঙোল ওইবী খুদিংমক্না খক কাউহন্নীংদে।

মণিপুরদা মতম-মতমগী মতুংইন্না, মীওই খূৎপু কয়ামুক্না মানা-মানা তৌনীং-তৌনীংবদা তৌবগী চৎনবীসি খজিক্তং খন্থহঞ্জনীংই। অপান্নবা হীরম অমখক-অনীখক্কী ৱা নত্তবদা, মণিপুরদদি মহৌশানা হীরম কয়ামুক্তা, তৌনীং-তৌনীংবা মওংদা কাঙবু কয়ামুক্না, অথিংবা হায়বদু অমত্তা মায়োক্নদনা পাঙথোক্লীংবা মওংশিংদা পাঙথোকই। থৌদৌসি লমদম্নরকপগুম, ঙসিগী খুন্নাইসিদা লমদমসিগী হরাউ-কুম্মৈ মখলশিংদা পাঙথোক্লীংবা মতমদা হেক্তা পাঙথোক্লবা য়াহনবসি থোয়দোক্না কুম্মৈশিংসিগী অকক্নবা মতম অমসুং চৎন-কাঙলোনশিং চেকশিন্না থমদবা, চাওখৎপগী থাক ৱাৎলিবা কাঙলূপ অমগুম ঐখোয়বু মীতোপশিংনা উরল্লোইদ্রা হায়বা চিংনদবা ঙমদে। অফবা লম্বীরোমদা খোঙ থাংজিনবদা তঙাইমক ফদবা হীরমগীদমক, তঙাইফদনা পাঙথোক্তবা য়াদবদগী কুম্মৈদুগী মশাগী নুমিৎ নত্তবশিংদা পাঙথোকপীবা তারবসু মীয়ামগী ৱারেপ্না তঙাইফদনা পাঙথোকপনি হায়বা ৱাফমসি মণিপুরগী মীয়ামদা খঙহন্নবগীদমক শীনবী-লাংবীরিবশিংনা তঙাইফদনা মাঙজৌননা ঈ-পাউশিং মিদিয়াগী থোঙশিংদা মমুৎ তানা ফোঙহন্নীংই। ●